# নিংঙোল চাক্কৌবা
## by
## রাংখেমচা চীংতমলেন
## ২-১১-১৬

নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা কংলৈ খুন্নাইগী নিংঙোলগী ওইবা থৌরম অসি মালেমদা অমতা ঙাইবা চাংদম নিংঙাই লৈতনা নুংগী রাহন্থোক লৈবা ফজরবা থৌরমনি। মালেমদা কংলৈ খুন্নাই (Civilization) অসি খ্বাইদগী লিরবা খুন্নাইনি। ১৮ শুবা চহী চাদা হিন্দুনা থুংলদ্রিঙৈদা, পুয়া মৈ থাদ্রিঙৈদা, Science খ্বাইদগী হৈবা মীওই কাংলুপসি কাংলৈপাক্কী মীতৈ কাংলুপনি। রাকোকলোন হীলেন থিলেন সালাই. অমা-ইলোন পুকোক এন্দ দি মোদরন সাইন (Puya and the modern science), অইবা অসিনা ইজবা অসি পাবীরবদি শোয়দনা খংবীগনি।

পুমনমক অসি লৈনা লৈনা, য়ামনা সেনিয়ার ওইরবা র্জনেলিস ইবোয়াইমা খুমন্না November 1/2016 গী নুমিদাংদা, হিন্দুগী মতমদা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা শেমজিন শাজিনবা পোইরৈতোন খুন্থোক লাইরিক্কা পকশিন্নবগা লোইননা চন্দ্রকির্তি মহারাজগী মতমদা ওইরকপা নিংঙোল চাক্কৌবা ওইনবা হোৎনরকপা য়ামনা লাইবক থীবনি। পোইরৈতোন খুন্থোক হায়বা রারী লাইরিক অসিদি ১৮ শুবা চহীচাগী অরোইবা অদুল্লাইদা নত্তগা অদুগী হেক মমাংদা মীতৈলোন নিংথিনা খংদবা মহারাজগী কাংবুনা শেমজিন-শাজিনখিবা রারী লাইরিকনি। লাইরিক অদুদা নুপাবু 'নিপা' হায়না ইরিবনি, অদুগা 'মৈনা রাই তাংনা সম' হায়বা রাহৈশিং য়াওরিবনি। রাহৈশিং অসি লাইরিক পোইরৈতোন খুন্থোকতা য়াওরিবা অসি, লাইরিক পোইরৈতোন খুন্থোক অসি হিন্দুগী মতমদা শাজিনবনি হায়বগী লারবা খুদমনি। চাকহাও অমুবা হায়বা খ্বাইদগী হকচাং ফরবা লায়না কয়া ঙাকথোকপা চেং অসিবু 'চাকহাও পোইরৈতোন' হায়না কৌশিল্লিবা অসিসু, হিন্দুশিংনা কংলৈপাকতা লাকপা মতমদা মখোয়গী লমদা ফংদবা চেং, অসি, কল্লকমনখ্রদুনা পোইরৈতোন হায়বা রাহৈ অসি পকশিল্লমলিবনি।

## হৌজিক নিংঙোল চাক্কৌবা করিনো, কনাগীনো খংনবা হোৎনমিন্নসি।

কংলৈপাকতা নিংঙোল চাক্কৌবা তৌই, অদুগা হিন্দুসতানদা রকসা বনধন তৌই। থৌরম অনি অসি নুংগী রাখল মান্নে। হিন্দুশিংগী রকসা বনধন অসি মখোয়গী য়েলহৌঙৈগী থৌরমনি, অদুগা নিংঙোল চাক্কৌবনা কংলৈ মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী থৌরমনি। ভারততা নিংঙোল চাক্কৌবা হৌরক্কবগী রাংউলোন লৈতে। হিন্দুগী লমদা রকসা বনধন হৌরক্কবগী রাংউলোন চাওনা লৈ।

য়েলহৌঙৈদগী কংলৈ মীতৈ খুন্নাইনা নিংঙোলশিংবু 'লাংলেন' কৌই। মসি কংলৈ খুন্নাইদা নুপীবু নিংঙোলবু লুনা চান্না রাংনা থাংগৎতুনা লোইনবগী শেংলবা খুদমনি। অদুগা নুপীবু লাইবক চাওবী হায়নসু খংনৈ।

'লাংলেন' হায়বা রাখলোন অসিনা, নুংশিরবী মচল মচা নুপীশিংবু, য়ুম্নাক শাগৈ ওনদুনা মীয়ুমদা লৈখিবা অদুদা কমদৌরিবগে হায়না খংনিং উনিংলকপদগী চহী খুদিংগী কৌদুনা তরা লুকোয় হাওনা থোংদুনা কৌদুনা চাক পীজবা, নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা থৌরম অসি থোকখিবনি।

লোইননা নিংঙোলবু 'লাইপক চাওবী' হায়বগী রাহন্থোকতি খুন্নাইবু মীশিং য়ামখৎহনবা অসি নিংঙোল য়াওদনা য়াদে, মরম অদুনা লাইবক চাওবী হায়বা মিংথোল পীদুনা ঙাকশেনদুনা থমগদবনি হায়বগী রাখল্লোন ওইবা য়াই।

মরম অমা নত্রগা অমনা মরম ওইদুনা কংলৈ খুনাইদা নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা নুংশিরবা থৌরম অসি পোকখিবনি। অদুগা রকসা বনধন হায়বা থৌরম অসিনা হিন্দুশিংগী লম ভারততগী পোকখিবনি। হিন্দুসতানদা মফম কয়াদা মতম পুমনমকতা , মচা নুপীবু পোকত্রিঙৈদগী হাৎথোকপা, ময়ুম পাল্লক্কবা মতুংদসু য়ুমগী মৌবু ইরাই লাইনা হাৎথোকপা ওৎ-নৈবা মতম পুমনমকতা মফম কয়াদা থোকই, ঐখোয়না মসি য়ামনা শেংনা উবা খংবা ঙাকতনি। অউনপোৎকী হাৎপা, ওৎ-নৈবা ঐখোয়না শেংনা উই, শতি মৈ থাবা হায়বসি ভারততগী হৌবনি। মরম অসিনা রকসা বনধন ভারততগী হৌবনি। পোকপদগী নুপানা ওৎ-নৈগদ্রা, হাৎকদ্রা হায়বগী অকি অখং লৈরবা ময়াং নিংঙোলশিংনা রকসা বনধন তৌবা মশানাতাবনি। কংলৈপাকতগী হৌবনি হায়বদা য়াম্না পকচরোই, নাতে চারোই।

অসিগুমবা মরম কয়ানা নিংঙোল চাক্কৌবাবু হিন্দুশিংনা পুরকপা মখোয়গী মাননবা হোৎনবা য়াম্না পকচদে, নাতে চাদে। ভারত লমদা নিংঙোল চাক্কৌবা মীয়ামগী খুন্নাই থৌরম লৈতে। মরম অসিনা ভারততগী লাকপা ময়াং মচাশিং মহারাজ ওইরো, মীচম ওইরো, মখোয়না নিংঙোল চাক্কৌবা, মখোয়গী লৈসু লৈতনা পুরক্কনি হায়বসি অঙাওবা রাখলনি।

# <u>নিংঙোল চাক্কৌবা</u>

## by

## <u>ৱাংখেমচা চীংতমলেন</u>

## <u>২-১১-১৬</u>

নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা কংলৈ খুন্নাইগী নিংঙোলগী ওইবা থৌরম অসি মালেমদা অমতা ঙাইবা চাংদম নিংঙাই লৈতনা নুংগী ৱাহন্থোক লৈবা ফজরবা থৌরমনি। মালেমদা কংলৈ খুন্নাই (Civilization) অসি খ্বাইদগী লিরবা খুন্নাইনি। ১৮ শুবা চহী চাদা হিনদুনা থুংলদ্রিঙৈদা, পুয়া মৈ থাদ্রিঙৈদা, Science খ্বাইদগী হৈবা মীওই কাংলুপসি কাংলৈপাক্কী মীতৈ কাংলুপনি। ৱাকোকলোন হীলেন থিলেন সালাই অমা-ইলোন পুকোক এন্দ দি মোদরন সাইন (Puya and the modern science), অইবা অসিনা ইজবা অসি পাবীরবদি শোয়দনা খংবীগনি।

পুমনমক অসি লৈনা লৈনা, য়ামনা সেনিয়ার ওইরবা র্জনেলিস ইবোয়াইমা খুমন্না November 1/2016 গী নুমিদাংদা, হিনদুগী মতমদা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা শেমজিন শাজিনবা পোইরৈতোন খুন্থোক লাইরিক্কা পকশিন্নবগা লোইননা চন্দ্রকির্তি মহারাজগী মতমদা ওইরকপা নিংঙোল চাক্কৌবা ওইনবা হোৎনরকপা য়ামনা লাইবক থীবনি। পোইরৈতোন খুন্থোক হায়বা ৱারী লাইরিক অসিদি ১৮ শুবা চহীচাগী অহৌবা অদুরাইদা নত্তগা অদুগী হেক মমাংদা মীতৈলোন নিংথিনা খংদবা মহারাজগী কাংবুনা শেমজিন-শাজিনখিবা ৱারী লাইরিকনি। লাইরিক অদুদা নুপাবু 'নিপা' হায়না ইরিবনি, অদুগা 'মৈনা ৱাই তাংনা সম' হায়বা ৱাহৈশিং য়াওরিবনি। ৱাহৈশিং অসি লাইরিক পোইরৈতোন খুন্থোকতা য়াওরিবা অসি, লাইরিক পোইরৈতোন খুন্থোক অসি হিনদুগী মতমদা শাজিনবনি হায়বগী লারবা খুদমনি। চাকহাও অমুবা হায়বা খ্বাইদগী হকচাং ফরবা লায়না কয়া ঙাকথোকপা চেং অসিবু 'চাকহাও পোইরৈতোন' হায়না কৌশিল্লিবা অসিসু, হিনদুশিংনা কংলৈপাকতা লাকপা মতমদা মখোয়গী লমদা ফংদবা চেং, অসি, কল্লকমনখ্রদুনা পোইরৈতোন হায়বা ৱাহৈ অসি পকশিল্লমলিবনি।

<u>হৌজিক নিংঙোল চাক্কৌবা করিনো, কনাগীনো খংনবা হোৎনমিন্নসি।</u>

কংলৈপাকতা নিংঙোল চাক্কৌবা তৌই, অদুগা হিনদুসতানদা রকসা বনধন তৌই। থৌরম অনি অসি নুংগী ৱাখল মান্নে। হিনদুশিংগী রকসা বনধন অসি মখোয়গী য়েলহৌঙৈগী থৌরমনি, অদুগা নিংঙোল চাক্কৌবনা কংলৈ মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী থৌরমনি। ভারততা নিংঙোল চাক্কৌবা হৌরক্লবগী ৱাংউলোন লৈতে। হিনদুগী লমদা রকসা বনধন হৌরক্লবগী ৱাংউলোন চাওনা লৈ।

য়েলহৌঙৈদগী কংলৈ মীতৈ খুন্নাইনা নিংঙোলশিংবু 'লাংলেন' কৌই। মসি কংলৈ খুন্নাইদা নুপীবু নিংঙোলবু লুনা চান্না ৱাংনা থাংগৎতুনা লোইনবগী শেংলবা খুদমনি। অদুগা নুপীবু লাইবক চাওবী হায়নসু খংনৈ।

'লাংলেন' হায়বা ৱাখলোন অসিনা, নুংশিরবী মচল মচা নুপীশিংবু, য়ুম্নাক শাগৈ ওনদুনা মীয়ুমদা লৈখিবা অদুদা কমদৌরিবগৈ হায়না খংনিং উনিংলকপদগী চহী খুদিংগী কৌদুনা তরা লুকোয় হাওনা থোংদুনা কৌদুনা চাক পীজবা, নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা থৌরম অসি থোকখিবনি।

লোইননা নিংঙোলবু 'লাইপক চাওবী' হায়বগী ৱাহন্থোকতি খুন্নাইবু মীশিং য়ামখৎহনবা অসি নিংঙোল য়াওদনা য়াদে, মরম অদুনা লাইবক চাওবী হায়বা মিংথোল পীদুনা ঙাকশেনদুনা থমগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন ওইবা য়াই।

মরম অমা নত্তগা অমনা মরম ওইদুনা কংলৈ খুনাইদা নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা নুংশিরবা থৌরম অসি পোকখিবনি। অদুগা রকসা বনধন হায়বা থৌরম অসিনা হিনদুশিংগী লম ভারততগী পোকখিবনি। হিনদুসতানদা মফম কয়াদা মতম পুমনমকতা , মচা নুপীবু পোকত্রিঙৈদগী হাৎথোকপা, ময়ুম পাল্লক্লবা মতুংদসু য়ুমগী মৌবু ইরাই লাইনা হাৎথোকপা ওৎ-নৈবা মতম পুমনমকতা মফম কয়াদা থোকই, ঐখোয়না মসি য়ামনা শেংনা উবা খংবা ঙাকতনি। অউনপোৎকী হাৎপা, ওৎ-নৈবা ঐখোয়না শেংনা উই, শতি মৈ থাবা হায়বসি ভারততগী হৌবনি। মরম অসিনা রকসা বনধন ভারততগী হৌবনি। পোকপদগী নুপানা ওৎ-নৈগদ্রা, হাৎকদ্রা হায়বগী অকি অখং লৈরবা ময়াং নিংঙোলশিংনা রকসা বনধন তৌবা মশানাতাবনি। কংলৈপাকতগী হৌবনি হায়বদা য়াম্না পকচরোই, নাতে চারোই।

অসিগুমবা মরম কয়ানা নিংঙোল চাক্কৌবাবু হিনদুশিংনা পুরকপা মখোয়গী মাননবা হোৎনবা য়াম্না পকচদে, নাতে চাদে। ভারত লমদা নিংঙোল চাক্কৌবা মীয়ামগী খুন্নাই থৌরম লৈতে। মরম অসিনা ভারততগী লাকপা ময়াং মচাশিং মহারাজ ওইরো, মীচম ওইরো, মখোয়না নিংঙোল চাক্কৌবা, মখোয়গী লৈসু লৈতনা পুরক্কনি হায়বসি অঙাওবা ৱাখলনি।